# মীয়াম্না হৌজিক নোংশাদগী ষণনা হেন্না অকিবা পোক্লে ঃ লালু



**পটনা, নভেম্বর ১৯ ঃ**
রাষ্ট্রিয়া জনাটা দল (আর জে দি) গী লুচিংবা লালু প্রসাদ য়াদবনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ষণ ঙাক-শেনবগী মিংদা হিংশাগী থৌদোক কয়া থোকখিবগী মতাংদা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

আর জে দি গী লুচিংবা অদুনা নোংশা অমসুং ষণগী মরক্তা করি খেন্নবা লৈবগে। শাহিং চাবা শানি হায়না খঙনরিবা নোংশাদগী হেন্না হৌজিক্তি মীয়াম্না য়ূমদা লোয়নরিবা ষণনা হেন্না কিবা ফাওরি। মীয়াম্না নোংশাদগী ষণনা হেন্না অকিবা পোকহল্লিবা অদু নরেন্দ্র মোদিগী খুদোল অমনি হায়খি।

ষণ ঙাক-শেনবনি হায়ব গেঙ্ক খূৎপুশিং কিবদগী য়ূম অমসুং ফ্রামদা লোয়নরিবা ষণশিং পুদুনা চৎপা কিনরে। সোনেপুরদা পাঙথোক্কদবা ষণ মেলাদা উৎননবা হায়রিবা শা অদু পুনবা হোৎনবদা অকিবা ফাওই। লালুনা হায়, মোদি লৈঙাক্না মমাঙ চহীদা শেলয়েক্তা অথিংবা থমখিবগী মতাংদা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা জি এস টি গী মতাংদসু আর জে দি না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

লোক সভাগী ইং ২০১৯ দা পাঙথোক্কদবা মীখল অদু মোদিনা ঙনখৎনা ইং ২০১৮ দা পাঙথোক্লবা মতম লেপলকপসু য়ারি হায়না লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি। মহাক্কী পার্টিনা মীখল অদু চপ চানা থেঙননবা শেম-শাদুনা লৈরি হায়রি।

লালু (৬৯) বিহারগী গ্রান্দ এলায়েন্স মরু ওইবা লুচিংবা অমা ওইরিবনি। পার্টি অদুনা চুঙশিন্নরম্বা জনটা দল য়ুনাইটেদনা লালুগী ইমুং মনুংনা শেঞ্জা-থুমজা তৌই হায়বগী মরাল শীদুনা গ্রান এলায়েন্স অদুদগী তোক্তুনা বি জে পি গা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই থাদা চুঙশিন্নখিবা লৈখ্রে। লালুনা হায়, মহাক্কী মচানুপা তেজাস্বুই য়াদব গুজরাটকী পতিদার লুচিংবা হরদিক পটেলগা নক্লবা মীওই অমা ওইখি। নহা ওইরিবা লুচিংবা হরদিক পটেল অমসুং তেজাস্বুইনা লৈবাক অসিদগী কাঙলূপ নাইবগী ৰাখল্লোন মরু ফুক্তোক্লবা হোৎনরি।

ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পাইমিন্নরম্বা জনটা দল য়ুনাইটেদনা তোখায় তাখ্রবা মতুং লালু অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুং শেঞ্জা-থুমজাগী কেস মায়োক্লরিবনি হায়রি।

# দিপিকা পদুকোন, সঞ্জয় লিলা বন্সালি হাৎপা ঙম্বদা লুপা ক্রোর ১০ পীগনি ঃ বি জে পি ওফিসিয়েল

**ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ১৯ ঃ**
ৰাথোক ওইরবা বোলিৰুদকী ফিল্ম পদ্মাভটিগী মতাংদা হরিয়ানা বি জে পি না অকনবা ৰাফম ফোঙদোকখ্রে। ফিল্ম অদুদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা দিপিকা পদুকোন অমসুং ফিল্ম মেকর সঞ্জয় লিলা বন্সালি হাৎপা ঙম্বদা লুপা ক্রোর ১০ পীগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

হরিয়ানা বি জে পি গী লুচিংবা অমসুং ৰাঙাংলোই সুরজপাল অমুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ১৩ শুবা চহী চাগী ওইনা চিটোরগী মহারানী ওইখিবী অমসুং শীংথানিঙাই ওইরবী রাণী অদুনা দিল্লিগী সুলটান অলাওদিন খিলজিদা পামদবা থৌওং কয়া চৎখিবগী শক্তমশিং ফিল্ম অদুদা উৎলি।



*হরিয়ানা বি জে পি গী লুচিংবা অমসুং মেদিয়া কো-ওর্দিনেটর সুরজপাল অমু*

মিরুটতগী মীওই অমনা দিপিকা অমসুং বন্সালিবু ৰান্টেট লাওথোক্তুনা লুপা ক্রোর ৫ পীগনি হায়বা অদুদগী তঙখায় অমা হেনগত্তুনা হরিয়ানা বি জে পি গী লুচিংবা অদুনা লুপা ক্রোর ১০ পীগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লোবু খূৎতা পায়দুনা শীজিন্নবা পামদে অদুম ওইনমক ঐখোয়গী ইচে ইচল অমদি ইচানুপীশিংদা মীৎয়েং থল্লক্লবদি অদুগুম্বা মীওইশিং অদু দন্দি পীগনি হায়না লুচিংবা অদুনা ঙসি ৰাথোক ওইবা য়াবা ৰাফম অদু ফোঙদোকখ্রে।

ফিল্ম অদু পুথোক্লবা হোৎনবদা সঞ্জয় লিলা বন্সালিনা লুপা ক্রোর ৩ চাদিং তৌরমগনি। মদুগী মতুং মহাক লুপা ক্রোর ৩০০ তান্নবা পান্দম থমখি। হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা করিগুম্বা খরা হায়ফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরিবঙৈ চৈরক্তা ফিল্ম অদু রিলিজ তৌখ্রে। য়ানিংদবা ফোঙদোক্লিবা মীওইশিংনা ফিল্ম অদু মপুঙ ফানা থিংজিনগদবনি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। বাসুনধারা রাজেনা ফিল্ম অদুদা য়াওরিবা পামদবা শরুকশিং অদু ককথৎকদবনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। পূম্নমকশিং অদু তোকথোক্লগা ফিল্ম অদু উৎপা য়ারোই হায়না হরিয়ানা বি জে পি গী লুচিংবা অমুনা লাওথোরক্লি।

ফিল্ম অদুদা পদমিনি হায়না খঙনবি চিটোরগী রাণী অদু দিল্লিগী সুলটাল অলাওদিন খিলজিগা নুংশিনবগী রোমান্টিক ওইবা ফিভম অমা উৎলি। ফিল্ম অদু তোঙান তোঙানবা সহর অনীদা উৎপদা ফিল্ম উৎলিবা হোল অদুগী টিকেট কাউন্টরশিং থুগাইখ্রে। লোয়ননা দুকাল কয়া অমাঙ-অতা থোখ্রে। মদুগী মতুং চিটোর লানবন্দদা য়েংবা লাকপশিং চঙহনখিদবগা লোয়ননা লম কোইবশিংগী পন্থুংফম অদু থীংজিনখ্রে হায়রি।

# প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্টনা মকোক থোংবা ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিংদগী তলব হন্থনা ফংলি



**ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ১৯ ঃ**
প্রসিদেন্ট অমসুং ভাইস প্রসিদেন্টনা মকোক থোংবা ব্যুরোক্রেট ওফিসারশিংনা ফংলিবা তলবকী চাংদগী হন্থনা ফংলি। তরেৎশুবা পে কম্মিসন্না হৌজিক লৈরিবা এনোমেলি অদু শেমদোক্লবা রিকমেন্ট তৌরকখিবা লৈখ্রে। প্রপোজেন অদুদা প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং গভর্ণরশিংগী তলব হেনগৎহন্নবা ৰাফম পুখৎলক্লি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রি অমসুং কেবিনেট সেক্রেটরিয়েটতা ৰাফ মঅদু চহী অমগী মমাঙদগী পুখৎতুনা কেবিনেটনা অয়াবা পীনবা হায়খিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৰারেপ অমত্তা লৌখিবগী পাউ লৈতে। হৌজিক প্রসিদেন্ট থা অমদা লুপা ১.৫০ অদুগা ভাইস প্রসিদেন্ট ১.২৫ অমসুং গভর্ণরনা ১.১০ ফংলি। অদুম ওইনমক ইং ২০১৬ কী জনুৱারী ১ দা ৭ শুবা পে কম্মিসন চৎনহন্নবা ৰাফম পুখৎখিবা মতম অদু ফাওবদা ব্যুরেক্রেট ওফিসারশিংনা থা অমদা লুপা লাক্ষ ২.৫০ ফংখি অদুগা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরীশিংনা থা অমদা লুপা লাক্ষ ২.২৫ ফংলিবনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট হায়বসি ইন্দিয়ান আর্মি, এয়ারফোর্স অমসুং নেভিগী সুপ্রিম কম্মান্দর ওইরিবনি। অদুম ওইনমক হায়রিবা কাঙলূপ অহুম ইন্দিয়ান আর্মি, ইন্দিয়ান এয়ারফোর্স অমসুং ইন্দিয়ান নেভিগী মকোক থোংবা কম্মান্দরশিংনা ফংলিবা তলব অদুদগী প্রসিদেন্টনা হন্থনা ফংলি।

প্রসিদেন্টনা হৌজিক কেবিনেট সেক্রেটরীগা মান্ননা তলব ফংলি। হোম মিনিষ্ট্রিনা পুখৎখিবা ৰাফম অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবদা করিগুম্বা ৰাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। লোয়ননা করিগীদমক য়ুনিয়ন কেবিনেটনা হীরম অদু পন্থদুনা লৈহল্লিবনো হায়বা ফোঙদোরকপা লৈত্রি হায়রি।

# ইন্দিরা গান্ধীগী মপোক কুমওন থৌরমদা লুচিংবা কয়ানা ইকায় খূম্নবা উৎখ্রে

**ন্যু দিল্লি, নভেম্বর ১৯ ঃ**
হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীগী মপোক কুমওন লাকপদা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দ, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ানা ইকায় খূম্নবা উৎখ্রে।

প্রসিদেন্ট কোভিন্দনা ট্যুটরদা ফোঙদোরকখিবদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীগী মপোক কুমওন লাকপদা লৈবাক অসিনা মহাকপু নীংশিংলি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়, লৈখিদ্রবী লুচিংবী অদুগী মপোক কুমওন থৌরম লাকপদা লুচিংবী অদুগী মফমদা ইকায় খূম্নবা উৎলি হায়রি।

কংগ্রেস পার্টিগী সেনিয়ার লীদর হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ, কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধী অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুন গান্ধীনা লৈখিদ্রবী লুচিংবী অদুগী মফমদা ইকায় খূম্নবা উৎখ্রে।

ইন্দিরা গান্ধীবু ঐখোয়গী পুক্নীংদগী কাউখিবা ঙম্লরোই। ইং ১৯৮৪ গী ওক্টোবর ৩১ দা মশামক্কী বোদিগার্দনা সফদারযুক রোদতা লৈবা মহাক্কী লৈফমদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। লৈখিদ্রবী লুচিংবী অদুগী ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ফোটো এক্সিবিসন অমসু পাঙথোকখি।

সোনিয়া গান্ধীনা হায়, ইন্দিরা গান্ধীনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ জাৎ অমসুং দিমোক্রেসি অমদি ধর্মদা মীচঙ মীখাই নায়দবা থৌশিল কয়া পায়খৎলমখিবা অদুগীদমক ইন্দিয়ানা ঙসি চাওথোকচরি। মহাক্না ধর্মদা মীচঙ মীখাই নায়দবা হায়বসিদা অকনবা লান্থেং চত্থরমখি। লোয়ননা ধর্ম অমসুং কাঙলূপ জাৎনা ইন্দিয়াবু মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরকপশিংগী মায়োক্তা লেপখি হায়খি।

# মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা টৌইলেট পোট মোদেম হরিয়ানাগী ট্রম্প খুঙ্গংদা মায়খুম হাংদোকখ্রে

**গুরুগ্রাম, নভেম্বর ১৯ ঃ**
হরিয়ানাগী মীয়াম্না ট্রম্প খুঙ্গং হায়না খঙনরিবা মারোরাদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা টৌইলেট পোট মোদেম ঙসি মায়খুম হাংদোকখ্রে। মালেমগী টৌইলেট নুমিৎকা মরী লৈননা মীয়ামদা তরু-তনান্না অমসুং টৌইলেট শীজিন্নবগী লমদা এৱার্নেস পীননবগী পান্দমদা টৌইলেট পোট মোদেম অদু মায়খুম হাংদোকখিবনি।

অচৌবা টৌইলেট পোট মোদেম অদু য়োৎ, ফাইবর, ঊ অমসুং প্লষ্টর অমসু পেরিসনা শাবনি। টৌইলেট পোট অদুগী পাক-চাওবনা স্কৱার ফিট ২০ x ১০ নি হায়রি।



মালেমগী ওইনা তরু-তনানবা হায়বসিদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অদু লাকশিন্নবগী পান্দমদা খ্বাইদগী চাওবা টৌইলেট মোদেম অদু শেম-শাদুনা হাংদোকখিবনি। ট্রম্প ভিলেজ নৎত্রগা ট্রম্প খুঙ্গং অদুদা মীওই ১,৮০০ লৈরিবনি। সুলাপ ইন্টর্নেসনেল সোসিয়েল সার্ভিস ওর্গনাইজেসন্না য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লমদম অদুদা জুন থাদা লাক্লম্বা য়েংলগা হন্দক শীংথানিঙই ওইবা থৌশিল অদু পায়খৎলকখিবনি হায়রি।

# জিম্বাব্বে রুলিং পার্টিনা রোবার্ট মুগাবে লুচিংবা ওইবদগী লৌথোকখ্রে

**হরারে, নভেম্বর ১৯ ঃ**
জিম্বাৱেগী রুলিং পার্টিনা রোবার্ট মুগাবে লুচিংবা ওইবগী লৌথোকখ্রে। মায়কৈ কয়াদগী মহাকপু প্রসিদেন্ট ওইবদগী তোক্লনবা শাফু কয়া পীরকখিবা মতুং পার্টি অদুনা নৌনা খোঙথাং অদু পায়খৎলকখিবনি।

জানো-পি এফ হায়না খঙনরিবা রুলিং পার্টি অদুনা হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট ইমরসন মনাঙ্গৱাবু মুগাবেগী মহুত্তা থৌ পুহনখ্রে। পার্টি অদুনা চহী ৯৩ শুরবা মুগাবেবু নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রসিদেন্টগী ফমদগী রিজাইন তৌননবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। মমাঙ চয়োলদা মুগাবেনা মহাক্কী লোয়নবীবু মহাক্কী মহুৎ শিন্না থৌ পুহন্নবা থৌশিল পায়খৎলকপদগী লান্মীনা খূৎ থীংজিল্লকখি। মদুগী মতুং জিম্বাৱেদা রাজনিটিগী তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা থোকহল্লকখি।

ফার্ষ্ট লেদি গ্রেজ মুগাবে অমসুং সেনিয়ার ওফিসিয়েল কয়া পার্টি অদুদগী তান্থোকখ্রে। মুগাবেগী মায়োক্তা জিম্বাৱেগী সহরশিংদা মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা য়ানিংদবা খোঙচৎ চৎখি। মীয়াম অদুনা রোবার্ট মুগাবেবু হেরোরা নৎত্রগা বিলিয়ন অমরা হায়বা খোল্লাউ কয়া লাওখি।



মুগাবেনা লান্মীগী লুচিংবা কয়াগা উন্নদুনা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতুংদা খন্নখি হায়না জিম্বাৱেগী মরু ওইবা পাউ-চে হেরাল্ডনা রিপোর্ট তৌরক্লি। নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা লুচিংবা অদুনা লান্মীগী লুচিংবশিংগা উন্নখিবগী ফোটো ফোঙদোরকখি। অদুম ওইনমক উন্নখিবা অদুদা করি ৱারী শান্নখিবগে হায়বগী চপ চাবা পাউদি ফোঙদোরকখিদে।

মুগাবেবু দিসমিস তৌননবা পার্টিগী ৱারেপ অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মীওই চা কয়া হরাও তয়াম্না ফোঙদোক্লখ্রে। সেনিয়ার ওফিসিয়েল অমনা বি বি সি ন্যুজতা ফোঙদোরকখিবদা অনৌবা চহী-চা অমা লাক্লে। মুগাবে লৌউ-শীংউ তৌদুনা লৈখ্রগনি হায়রি।

জানু পি এফ কী সেন্ত্রেল কম্মিটিনা ফোঙদোরকখিবদা মুগাবে লৌথোক্লবগী প্রোসেস লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী হৌগনি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা ফাওবদদি মহাক প্রসিদেন্টকী ফম থাদোকপগী ৰাফম লৈখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মহাকপু চপ চানা ফম লৌথোকপগী থৌশিল লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী হৌগনি হায়খি।

পার্টি অদুগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকখিবদা মানঙ্গৱা জিম্বাৱেদা হল্লক্তুনা লৈরে। ইং ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্টি অদুগী প্রসিদেন্ট মীখলগীদমক মহাকপু নোমিনেট তৌখ্রে হায়রি।

# মোরোক্কোদা নেটশিন্নবদা মীওই ১৫ শিরে, ৫ শোক্লে

**রাবট, নভেম্বর ১৯ ঃ**
মোরোক্কোদা চানবা চিঞ্জাক য়েন্থোকপগী থৌরমদা নেৎশিন্নবদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিরে অদুগা ৫ না অশোক-অপন নংখ্রে। থুদোংথিবা থৌদোক অদু লৈবাক অদুগী খা-নোংচুপ থংবা কাসাব্লাঙ্কাদগী কিলোমিটর ১৫০ রোম চৎলগা লৈবা সিদি বাৱালেন্দ খুঙ্গংদা থোকখিবনি।

লমদম অদুদা চানবা পোৎলমশিং অদু কনানা য়েনথোকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক চান-থক্নবা পোৎলমশিং অদু চেরিটি ওর্গনাইজেসন অমনা দান তৌরকখিবনি হায়রি।

অতোপ্পা পাউগী লীখুন অমগী মতুং ইন্নদি নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদুদা মীওই ৪০ রোম অশোক-অপন নংখি হায়রি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অমদি শোক্লবা মীওইশিং অদু অয়াম্বনা নুপী অমসুং অহল ওইরবা মীওইশিংনি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকখিবা ফোটোশিংদা নেৎশিন্নবনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবী নুপী অমগী হকচাং লৈমায়দা তাদুনা লৈবা উৎলক্লি হায়রি।

# বৈজিংগী হাউসিং ব্লোক মৈ চাকপদা মীওই ১৯ শিরে

**বৈজিং, নভেম্বর ১৯ ঃ**
চিনাগী কোনুং বৈজিংগী খা থংবা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা হাউসিং ব্লেক অমা মৈ চাকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৯ শিখ্রে অদুগা ৮ না অশোক-অপন নংখ্রে। মৈ অদু মুত্থৎনবা হোৎনবদা পুং কয়া চঙখি। ফাইয়ার ফাইটরশিংনা অকনবা মওংদা মৈ অদু লাকশিন্নবা হোৎনখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মৈ অদু করম তৌনা হৌরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক বৈজিং পুলিসনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চিংনবা মীওই অমা ফাগৎলে হায়রি।

শাথিবা মৈ চাকপগী থৌদোক থোকখিবা দার্জিলিং দিষ্ট্রিক্ট অদু তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকখিবা মাইগ্রেন ৱার্করশিং লৈবা মফমনি। মখোয়না অহোংবা লৈফম থিদুনা মফম অদুদা লৈরকখিবনি হায়রি।

মৈ চাকখিবা মফম অদুদগী ফাইয়ার ফাইটরশিংনা মীওই কয়া কনবা ঙমখি। অশোক-অপন নংখ্রবশিং হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখ্রে। লমদম অদুদা অপিকপা ফিরোন তুবা অমদি শেম-শাবা ফেক্তরি কয়া লৈরি। কা হেন্না তমথিবা মওংদা চাকখিবা মৈ অদু মুত্থৎনবা হোৎনবদা ফাইয়ার টেন্দর ৩০ হেন্না শীজিন্নখি।

অখন্নবা ফাইয়ার ফাইটিং টিম ১৪ না মৈ অদু মুত্থৎনবা হোৎনবদা পুং ৩ হেন্না চঙখি। মৈ হৌরকখিবা বিল্ডিং অদুগী মনুংদা লৈখ্রবা মীওইশিং ফাইয়ার ফাইটরশিংনা কন্ননবা হোৎনখি। মৈ মরক্তগী কল্লকখ্রবা মীওইশিং অদু অশোক-অপন থোকপনা মরম ওইরগা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি।

সহর অদুদা তরু-তনানবা অমদি মশক ফজবা ফিভম অমা লৈহন্নবা কেম্পেন চত্থরিঙৈ মরক্তা মৈ হৌরকখিবা অদুনা চাওনা শীংনবা অমা থোকহল্লে হায়রি।

# অর্জেন্টিনাগী থিবা খঙদনা লৈরিবা সব-মেরিনগী সিগ্নেল ফংবা ঙমখ্রে



**বুইনোস এরিস, নভেম্বর ১৯ ঃ**
ক্রু মেম্বর ৪৪ তোংখিবা মাংখ্রবা অর্জেন্টিনাগী সব-মেরিন অদুগীনি চিংনবা সিগ্নেল ফংবা ঙম্লে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরকখ্রে।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মাংখ্রবা সব-মেরিন অদুগী খোঙ্গুল লীবগা লোয়ননা চপ চাবা লৈফম খঙদোক্লবা হোৎনরি। থাংজ নুমিত্তা সেটিলাইট কোল ৭ লক ফংখি। অদুম ওইনমক খোঙ্গুল লীবা ঙমখিদে। অর্জেন্টিনানা খা থংবা অটলান্টিক ওসিলদা এ আর এ সানজুৱান হায়না খঙনবা সব-মেরিন অদু থিবগী থবক চত্থরি। দিজল-ইলেক্ট্রিক ভেসেল অদু অর্জেন্টিনাগী সমুদ্র খোংবান্দগী কিলোমিটর ৪৩০ রোম লাপ্পা মফমদা মাঙখিবনি।

ব্রিটেন্ট অমসুং অতোপ্পা লৈবাক কয়ানা সব-মেরিন অদু থিনবা হোৎনবদা মতেঙ পাঙলি। সমুদ্রগী লৈখাদা করিগুম্বা সব-মেরিন অদু থেঙনরবদি মী কন্ননবা য়ু এস নেভিগী ফ্লাইয়িং দিপ ৱার্টর রেস্ক্যু মোদুলশিং অর্জেন্টিনাদা থাজিনখ্রে।

মীওই ৪৪ রোম তোংখিবা সব-মেরিন অদু অর্জেন্টিনাগী ওইনা খ্বাইদগী নৌবা অর্জেন্টিনা নেভি ফ্লিটনা শীজিন্নবা সব-মেরিন অহুমগী মুনংদা অমা ওইরি। সব-বেরিন অদুদগী ওইগনি চিংনবা সেটিলাইট কোল ৭ লক লাকপা থেংনখি। অদুম ওইনমক কোল অদু চপ চানা রিসিপ তৌবা ঙমখিদে হায়রি।

নেসনেল এরানোটিক এন্দ স্পেপস এদমিনিষ্টেসন (নাসা) গী প্লেনশিংসু য়াওশিন্দুনা মাঙখ্রবা সব-মেরিন অদু থিবগী থবক চত্থরি।


GAS TODAY

**Hrangchal Gas**
Booking : 14/09/17
Valid : 07/09/17
Stk : 270
Aadhar link consumer only
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 14/09/17
Valid : 01/09/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m
first come first serve

**K K Gas**
Booking : 14/09/17
Valid : 01/09/17
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Heingang**
upto date
Stk : 306
Rate : 862
Time : 07.30 to 11.30 a.m

**Mahalashmi Gas**
Booking : 30/08/17
Valid : 18/08/17
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Sugnu Gas**
Booking : 04/09/17
Valid : 30/08/17
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m

**Khongnang Gas, Bishnupur**
Booking : 18/07/17
Valid : 05/07/17
Stk : 288
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khumbong Gas**
Booking : 22/09/17
Valid : 19/09/17
Stk : 306
Rate : 847.50
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 25/08/17
Valid : 03/08/17
Stk : 612
Rate : 843
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 08/08/17
Valid : 31/07/17
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 23/08/17
Valid : 03/08/17
Stk : 918 CTC
Time : 07.30 to 11.00 a.m


**সনা-সুদোকু -১০০০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 1 | 6 | 4 | 5 | 9 | 2 | 7 | 3 |
| 9 | 5 | 7 | 8 | 3 | 2 | 1 | 4 | 6 |
| 3 | 2 | 4 | 7 | 1 | 6 | 5 | 9 | 8 |
| 2 | 9 | 3 | 1 | 6 | 7 | 8 | 5 | 4 |
| 4 | 8 | 5 | 2 | 9 | 3 | 7 | 6 | 1 |
| 7 | 6 | 1 | 5 | 8 | 4 | 3 | 2 | 9 |
| 6 | 4 | 2 | 3 | 7 | 8 | 9 | 1 | 5 |
| 1 | 7 | 8 | 9 | 4 | 5 | 6 | 3 | 2 |
| 5 | 3 | 9 | 6 | 2 | 1 | 4 | 8 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1001**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 4 | | | | | 8 | |
| | | | | 6 | | | 2 | |
| 1 | | | 2 | 5 | | | 9 | |
| 6 | 9 | | | 7 | 1 | | | |
| 5 | | | | | | | | 9 |
| | | | | | 4 | 6 | 3 | 1 |
| | | 7 | | | 3 | | | |
| | 1 | | 9 | 2 | 5 | | | |
| | 2 | | | | | 5 | | |